# ২১৯ শুবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী কুমওন

এস ভানুমতী

**রাজর্ষি** ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরনা শীন্দুনা চৎলিবা চহী ২০১৭ সেপ্তেম্বরগী তাং ২১, ২২, ২৩ নুমিৎ হুমনি চূপ্না রাজর্ষিগী ২১৯ শুবা কুমওন থৌরম রাধা কুণ্ড, মথুরাগী মিরা মনোরঞ্জন বর্নিক ধর্ম্মশালাদা তেক্তা কায়দা পাঙথোকখি। রাধা কুণ্ডগী মীওইশিং হৌখিবা চহীদগী হেন্না থৱায় য়াওশিন্না য়াওবিখি। লৈফম চাফমগী মতাংসু থোইনা মচু তানা উজৈ। মরুওইনা খোঙচৎ অসিবু মপূং ফাহনখিবদি মমিং লৈরবা ওজা গুরুশিং শ্রী বি অমুসনা শর্ম্মা, ব্রজমনি শর্ম্মা, রিপর্টরি ৱারী লীবগী প্রেসিদেন্ট ওইবিরিবা শ্রী কুঞ্জো সিংহ অমদি ইকায় খুম্নজরবী ফাউন্দেসন অসিগী প্রেসিদেন্ট ওইবিরিবী শ্রীমতি কৈশাম গুনিলৈমা দেবী, ইপ্বা ইরাবোৎ সিংহনচিংবা পূম্বগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপীবননি। ওজা গুরুশিংবু ভক্তি কৎচরি।

অহানবা নুমিৎ সেপ্তেম্বর তাং ২১ শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা পুরানা কুঞ্জগী মান্দোপ্তা জে এন মণিপুরী দান্স একাদেমিগী আর্টিশশিংনা অধিবাস সংকীর্তন পাঙথোকখি। প্রজা অমা ওইনা পেনজখিবদি ইকায়খুম্নজরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লুচিং পুরেল ওইনা লেঙশিনবীদুনা থৌরম হৌদোকপদুনি। লৈবাক অসে মরা তপ্না ঈংনা পাল্লগনি থাজবা পোক্লা তাইবঙ মপূদা নীজরি। তেক্তা কায়দ’ অধিবাস পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎ নিনিগী থৌরমসু তেক্তা কায়দনা পাঙথোকখি। সেপ্তেম্বর তাং ২২ ইরাই নুমিৎ অয়ূক্কী পুং ১০দা অনীশুবা থৌরম হৌখি। ইকায়খুম্নজরবা ৱাই খেমচন্দ সিংহ, ওনরেবল স্পিকর, মণিপুর, শ্রী এল উপেন্দ্র শর্ম্মা, দিরেক্টর জৱাহরলাল নেহরু মণিপুরী দান্স একাদেমি, কে ব্রজমনি শর্ম্মা শাস্ত্রী অমসুং রাজকুমার দুসরি গোপালনা মথংশিৎনা অথোইবা লেঙবীরকপা, সভাপতি অমদি অখন্নবা অতিথি ওইনা মথং মথং লেঙশিনবীখি। হৌদোকপগী থৌরম ওইনা জে এন এম দান্স একাদেমিগী আর্টিষ্ট ১৮না পূং চোলোম উৎখি। তু চুংনখি অয়েংবা মী খুদিং। ইনৌ নৌবা পোৎথোক অমা ওইনা উবা ফংঙি। নুংদা ভক্তি ভাবকী ফজবা পূম্বা য়েংলিবশিংগী থম্মোয়দা ফাওহল্লি। থাগৎচনীংঙি ঐখোয়গী রসনা থল্লবা সংস্কৃতিগী নুংগী ওইবা মশক কয়া পুথোক্তুনা খঙহনবীবসি। ধর্ম্মশালাদা মী মপূং ফানা তিল্লি। নুমিৎ অসিদা বি অমুসনা শর্ম্মনা তরাম্না ওকচবগী ৱারোল পীবিখি। থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোলনা শ্রীমতি চোংথাম গুনি লৈমা দেবী, কলচরেল ফাউন্দেসন অসিগী প্রেসিদেন্টসু ওইরিবীনা মরীক চূম্না তাকপীখি। মণিপুর সংস্কৃতিবু মশক ফজনা তাকপীরল্লবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রবু মফম খুদিংদা শক্তাক্লিংবনা রাধাকুণ্ডদা তৌজরিবনি হায়বগী ৱাখল্লোন পুথোকপগা লোয়ননা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোকপা ওইনা মথং মথং উৎচনীংঙি হায়বগী ৱাখল্লোনদু ফোঙদোকপীবনি। লেঙবীরক্লিবশিংনা য়াম্না ফজ ফজবা ৱাহৈনা রাজর্ষিনা পাম্বিরম্বা লম্বীদা চঙশিনগদবনি তাকপীরম্মী। য়ারিবমখৈ তেংবাংবিগনিসু হায়বিরম্মী। এল উপেন্দ্র শর্ম্মা (Director of J.N.M Dance Academy) না হায়বিখি, রাজর্ষি ভার্গচন্দ্রনা করিগুম্বা অতৈ মফম অমদা পোক্লম্লবদি ঙসিগী মীয়াম্না খঙনরিবসিদগী শরুক চাম্মা হেন্নসু মিং চৎলম্বা য়াই। মরমদি ইরমদম (মৈতৈ লৈবাক) অসিদদি লিংজেল মান্নবা হায়বসি লৈনদ্রে, অমগা অমগা পুকচেল মান্নদ্রে, পূনশিন্নবগী ৱাখল য়াম্না ৱাৎলি। ধর্ম্ম তোঙান তোঙানবা কয়া অমা লৈজরবসু মানা মানা পাম্বদু, অদুম চৎনরগা ধর্ম্ম খুদিংমক্তগী অফবা, অচুম্বমখৈ লৌনরগা অমগা অমগা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লনা হিংমিন্নবা য়াই অসুম্না। মৈতৈ ঐখোয়গী জাৎকী ওইনা তোঙান তোঙানবা কলচরগী মখল কয়া লৈহনবিরম্লিবসি ঈশ্বরনা পীবিবা খুদোল ঙাক্লি। অসিগুম্বা মখল মথেল কয়াশিংবু মালেম থুংনা শন্দোকপা অফবা থবকনি হায়বীখি। অসিগা লোয়ননা লাই হরাউবগী নুংদা য়াওরিবা ভাব মালেম শীন্না খঙননবা শন্দোক্লবগী পাম্বে পুথোকপসু ফৈ হায়বনচিংবা ফজরবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোকপীরকপা অয়েংবা, অতাবশিংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লখি। তশেংনমক, হান্না লৈরম্বা ঈশৈ জগোয়গী মশক মাঙথরকপা হায়বসি ঐখোয়গী জাতিগী মাঙজবনি। অদুনা অসিগুম্বা সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা থৌদাং পূম্বা মাঙখিদনবা হোৎনবা হায়বসি প্রজা ঐখোয়গীসু অপাম্বা ওইফম থোকই। অদুনা ৱাৎলিবা অসি করি করিনো থিদুনা হুমদুনা, অখণ্ড অহে তান্নদুনা ঐখোয়গী লৈজরিবা, পোকপদগী য়াওজরল্লবা, ঈদা, তোংদা চূখ্রবা কলাগী ফজবা মচৎতি য়োকখৎফম থোকই।

খ্বাইদগী চিংথরম্বা য়াদবা অমদি ‘মঙ্গোল গোষাই’ কৌবা চহী য়াল্লবা অহল, শকসু খঙজদ্রিবা, অকুপ্পা ৱারী শীংবুলসু শানদ্রিবা য়াম্না মরুওইবা মীশক অমনা বার্ত্তন ফংদুনা লেঙবিরকপশিংগী মনুংদগী ষ্টেজদা কাখৎপীরক্তুনা য়াম্না হৈনীংনা অমদি তাহন্নীংনা রাজর্ষিগী মরমদা ৱা ঙাঙবীখি। মহাক্না মহারাজ চূড়াচান্দগা মুন্না খঙনহৌই তাকপীখি। গোষাই অসিনা ঙাঙবীরিবসি মৈতৈলোন দনি। ওন্থোক্লা হৈনীংনা ঙাঙখ্রে। রাজর্ষিনা মন্দির কয়া লিংখৎপীরম্বা, শেমগৎ-শাগৎ কয়া তৌরম্বা মীয়াম্না খক কাউফম থোক্তে মহারাজগী অচৌবা লমন অমা তোনশিলহৌরবনি হায়খি। অদুনা “মণিপুর য়ৌরগা মখোয়নসু গভর্ণরদা হায়বিয়ু লম অমা য়েংগা গেষ্ট হাউস শানবা, ঐনসু অশোমদগী তকশিনজগে।” শোল্লবা মখূৎ অনীদু থক থক নীক্লদুনা মশীংখা পূম্বা পুথোক্তুনা পূক্লিংগী ৱা ফোঙদোকপদু খক কাউফম থোক্তে ঐখোয়না। মখা তানা অমুকসু হায়খি - “মণিপুর হায়বসিগা রাধাকুণ্ডগা অমত্তনি। রাধাকুণ্ডসি মিনি-মণিপুরনি হায়বা য়াই। য়াম্না নক্না মতম কয়াদগী লেপ্তুনা লোইনরকপনি।” পূনশিন্নবা, নুংশিনবা হায়বা মরীনা থম্মোয় থম্মোয় চেৎনা অমত্তা ওইনা পুন্সিন্নবা হায়বসি পাক হেক য়াবা নত্তে। অদুবু হন্দক্কী রাধা কুণ্ডগী খোঙচৎসিদদি ওন্থোক্লা নুঙাইজবা, অধ্যাত্মিক ওইখ্রবা ভাব কয়া পোক্লকখিবগুম তৌখি। অসুম্না তাং ২২ সেপ্তেম্বরগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম লোইশিল্লকপদা এল ধবলো সিংহ, ফাউন্দেসন অসিগী ভাইস প্রেসিদেন্টসু ওইবিরিবনা থাগৎ ৱাহৈ পীরগা ফোরমেল ফঙ্কসন লোইশিনখি। লোয়ননা কলচরেল প্রোগ্রামশিং চৎথখি। কলচরেল প্রোগ্রামগী শরুক্তা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী আর্টিষ্ট মথংশিৎনা সঙ্গীতা থোকচোম, নেরিনা অনীনা গীতগোবিন্দগী শরুক্তগী লৌখৎপীদুনা - ‘হরি রিহ মুগ্ধ বধু নিকরে...’ হায়না শৈহৌবা শরুক অসিগী জগোয়গী শরুক খরা উৎপিখি। তিল্লিবা মীপূম খুদিং থৱায় তানা য়েংবিখি। মথংশিৎনা বাশি খোংবিখিবা এল রতন সিংহনি, প্লে-বেক শিঙ্গরনা শ্রীমতি ইন্দু দেবীনি। তম্বী-তাকপীবনা শ্রী কে কুমার সিংহনি।

থৌরমশিং মথংশিৎনা চথুরকপনা মীয়াম্না শকখঙনরবা কে ব্রজমনি শর্ম্মনা গীতা পাঠ তৌবিখি। অৱাৎপা লৈত্রবা সংস্কৃতিগী লমদা মখল মথেল কলা খুদোলগী লক্তা ৱারী লীবা হায়বা কলা অসিসু থাদোক্লম্বা খক য়াদে। নুংথিলগী শরুক্তা ৱারী (ৱারী লীবা) লানথোকখি। অহানবদা য়েংকোকপম যুগিন্দ্র সিংহ, খেকমন থৌবালদা লৈবা ওজানি। লোয়ননা লৈশাংথেম ইবোতোম্বা সিংহ, লৈশাংথেম লৈকায় থৌবাল - ওজা অনীনা মহাভারতকী উদ্দ্যোক পর্ব্বগী মতাংদা লীবিখি। সমাজসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগী লমচৎ শেম্বদা কান্নরবা লিরবা কলা মখল অসিবু মৈতৈ লৈবাক্কী ৱাংমদা ভারতকী মফম কয়াদা শন্দোকপা হৌরক্লিবা পূম্ববু থাগৎচনীংঙি। মথংশিৎনা চথুরকপনা নুমিৎসিগী অরোইবা প্রোগ্রাম ওইনা রূপমহল থিয়েটরগী লিরবা ‘মণিপুর গোবিন্দ’ হায়না মিংথোনবা, শিনাম কঞ্চমোহন্না ইবা দ্রামা অদু উৎখি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী শক্তম্সু শাগৎচদুনা, ইবুংঙো মহাক্না তৌবিরম্বা থবক থৌরম ময়ামদুগী ভাবতা তাউদুনা লৈরিবা ভাবক পূম্বদা দ্রামা অসি উৎলকপদু য়াম্না নুংশিনীংঙাই ওইখি। অয়েংবশিং পূক্লিং চঙনা য়েংনখি। লীলাগী খোঙচৎ, দাইলোগকী মওং, মপূম ওইবা ৱারীগী খোঙচৎ, কলাকারশিংগী আর্ট-এক্টিং পূম্বগী ৱাংমদা প্লে অসিগী তাফম থোকপা, লূম্না পীফম থোকপা ৱাখল পূম্বগী থম্ফম থোকপদু হেন্না হেন্না মপূম ওইনা ভাগ্যচন্দ্র শারিবা মথন্তদা লোইনা থমখ্রবরা হায়না ঐনা থাজজৈ। মীয়ামদসু ফাওবিরমগনি তোঙান তোঙানবা ভাব বিকাস, অদুবু ভাগ্যচন্দ্রগী পার্ট লৌবিরিবা ‘ঙান্থোই’ অদু ঐখোয়না ঙান্থোইদু কাউথোকখিদুনা ঐখোয়না নুমিৎ কয়া নৈনরক্লিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র হায়বদুমক ওইরব্রা খনখি। মসি অঙকপনি, অমুক্তসু থেংনজরক্ত্রি সিনেমা, দ্রামা ফনা য়েংলক্তুনসু। রাজর্ষিবু ঐখোয়না কনা অমত্তনা উরুদ্রি। ঐ ইশামকসু উজখিদ্রি- অদুবু করম্না হন্দক রাধা কুণ্ডদা উৎলরিবা ভাগ্যচন্দ্র য়েংলুবদা ভাগ্যচন্দ্র হায়বদু অসিনি হায়না খল্লুরিবা! তশেংনমক অহানবমক্তদা হেক উখিবা শক্তমদুতনা অদুম মপেনখরে। ঐখোয়গী ৱাখলদা উজৈ ভাগ্যচন্দ্র হায়বসি য়াম্না ঈংজ-তপচবা মায়থোং ওইবা, ঙাকপীহৈবা মিৎয়েং, নুংশুক-নুংজানদবা, মতম পূম্বদা ইংনা তপ্না ৱাখল খন্থবা ঙম্বা নিংথৌ অমগী শক্তম ওইনা। মদুমক্নি উজরিবা নুমিৎতুগী রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী শক্তম। দাইলোগ চঙদে, মেকঅপ য়াম্না তৌরুবগীসু নত্তে - খঙদে নুমিত্তুগী ভাগ্যচন্দ্রদু অদুম ভাগ্যচন্দ্র মাল্লে। থাগৎচরি ঙান্থোইবু, মদু ঈশ্বরনা পীবিরকপা ঙান্থোইগী গুননি। পুন্সিদা ভাগ্যচন্দ্রগুম ঈংবা তপ্পা, জীববু নুংশিবা ওইবীয়ু। লীলা লোইরকপদসু মীয়াম্নসু শোন্নহৌই।

অসুম চথুরকপনা মথংগী সেপ্তেম্বর থাগী তাং ২৩ থাংজ নুমিৎতা অরোইবা থৌরমগীদমক শেম শাই। পুরানা কুঞ্জদা ভাগবদ কীর্ত্তন লোইরবদা অথোইবা অতিথি, অখন্নবা অতিথিশিং থুংলদুনা লেঙশিল্লে। তরাম্না ওকচবগী ৱারোল লৈবাক্লা শকখঙলবা ৱারীগী ওজা ইবুংঙো কুঞ্জো সিংহনা লানথোকপীখি। নুংগী ওইবা ৱারোল (কি নোট) না ইরাবতসিং, স্পোক্স পার্সন (আর বি সী এফ এম) না পীবিখি। নুমিৎ অদুগী অথোইবা লেঙবীরকপনা ইকায়খুম্নরবা দিপুটি সী এম শ্রী ৱাই জয়কুমার সিংহনি। অখন্নবা লেঙবীরকপী/লেঙবীরকপশিংনা মথংশিৎনা শ্রীমতি সত্যভামা দেবী চেয়রমেন, উমেন্স দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন, সত্যব্রত সিংহ (এম এল এ, য়াইস্কুল), ইন্দ্রজিৎ সিংহ (এম এল এ, খুরাই) নি। ইকায়খুম্নজরবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা সভাপতি ওইনা লেঙশিনবীখি। হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা হান্নগী খোঙচৎতগী খেন্নবসি মীয়ামদা চপ মান্নবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা তৌবীরম্বা, কৎথোকপীরম্বা থৌদাংগী মরমদা থোইনা হেন্না অনৌবা, ইমোস্নেল ওইবা মওং অমা হেনগৎলকপগুম থেংনজৈ। অসুম খঞ্জবদা মসিগী থোইদোকপা ৱাখল্লোনসি ইকায়খুম্নজরবা অহল ইবুংঙো ‘মঙ্গল গোষাই’না পীবিবা কল্লবা ইথিল অমনি হায়জনীংঙি। লেঙশিনবীখিবা মীওইশিংগী থম্মোয়দসু নুংশিবা অমদি কৎথোকপগী ৱাংলবা, কল্লবা ঈথক হৌহনখিবনি হায়নসু পঞ্জনীংঙি।

লেঙবীরকপশিংগী ৱারোল পীবদা অথোইবা মীথুংলেন ওইবিখিবা ইকায়খুম্নজরবা দিপুটি সী এম ৱাই জয়কুমার সিংহ, ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এশিং, মেদাম সত্যভামা চেয়রমেন উমেন দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন অমসুং ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা পূম্নমক্কী অনিংবা অপাম্বসি অমত্তা ওইশিন্নখিবগুমসু উখি। অসুক মগুন লৈখ্রবা লৈবাক অমগী ফজখ্রবা সংস্কৃতিবু মালেমগী মনুংদা পুখৎতুনা য়াম্না ফিলোজোফিকল ওইবা মওংদা থম্বীরম্ববু থম্মোয় শেংনা রাজর্ষিবু থাগৎনখি। মসিগা লোয়ননা ইকায়খুম্নজরবা মঙ্গল গোষাইনা তাকপীরম্বগুম মথং মথং লম একর ৪/৫ রাধাকুণ্ডদা লৈদুনা গেষ্ট হাউস শাদুনা লাই খুরুম্বা চৎথোক চৎশিন তৌবিরিবা কয়াগী খুদোংচানবা ইকায়খুম্নজরবা দিপুটি সী এমনসু প্রোপোজ তৌবিরকখি। ফম্বাকথক্তা লেঙশিনবীরিবশিংতা নত্তনা তিনবীরিবা মীয়াম পূম্বা লোন তিন্নবা তিন্নদবা পূম্বা পূনশিন্নরবা খুবাক্কী মখোলনা চাউরবা হোলদু পুমনিন নিনখি। মিৎতা পিরাং শিম্থরগা হরাউ মীনোক নোকমিন্নখি। পূম্নমক অসি ঙমজনবা তাইবঙ মপূবু অমত্তা ওইনা নীংশিংনখি। পন্দবা য়াদবনি দিপুট সী এম্না লুপা লাক্ষ অমসু কৎপীরমখি। লোয়ন লোয়ননা নৌজরিবা এম এল এ সত্যব্রতসিং অমসুং ইন্দ্রজিৎ সিংহ অনীসু লুপা লীশীং ৫০/৫০ কৎপীরমখি। লোয়ননা মতম মতমগী চাওখৎ থৌরাং লৌখৎপদসু শরুক য়াগনি হায়বীখি।

অরোইবদা, লৈশেম্বা সনাজাওবা ইনিংথৌগী পূক্লিংগী ৱাহৈ হায়বীখিবদা খ্বাইদগী থম্মোয়দা পানজবা অমদি ইনিংথৌনা হায়বিখি “ঐখোয়গী ঙসি লাৎচরিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দগী খোয়দৌদা ইবুধৌ পাখংবগী পাফল য়াওরি। ঐখোয় অমত্তনি, ঐখোয় ঈরৈচা পূম্বা অমগা অমগা চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা হিংমিন্নরিবনি অতোপ্পা অমত্তা নত্তে হায়বগী ৱাখল্লোলসু থম্বীখি। অসুম্না লৈশেম্বা ইনিংথৌ, দিপুটি সী এমনচিংবা ফম্বাক্তা লেঙশিনবীবা পূম্বনা রাধাকুণ্ডদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা থমজরম্বা ৱাখল্লোনশিং - লাইশঙ ময়ামদু মশীং হন্থরক্লিবনচিংবা হিংগৎহন্নবা অরেপ্পা অপূনবা ৱারেপ লেপ্লখি। অসুম্না মতাং অশ্বায়দা ফোর্মেল ফঙ্কসন লোইশিল্লকপা মতম ওইরদুনা এস ভানুমতী দেবীনা থাগৎ ৱাহৈ পীদুনা লোইশিনখি।

নুংথিলগী মতম পুং ১দগী হৌখিবা প্রোগ্রামশিংদি অহানবদা ৱারী লীবনি। মীয়াম্না শকখঙনরবা, মনা মথুম কয়া ফংলবা নৌরিবা তখেল্লম্বম শ্যাম কাহ্নাই সিংহ অমদি ওজা ইবুংঙো কোন্থৌজম কুঞ্জো সিংহ (প্রেসিদেন্ট, রেপরটোরি ৱারী লীবা মণিপুর) অনীনা মথং মথং লান্থোকখি। হৌজিক্কী মতমদা ভক্তি মশক খঙনরক্তবসিদা কলা অসি চপ চানা য়োকখৎপা চঙঙি খনজৈ। লৌনীংঙাই ঙাক্তনি মৈতৈগী ৱারী লীবদগী। মতাংসিদা পন্দনা লৈবা ঙমজদে, ওজা ইবুংঙো কুঞ্জো সিংহনা হায়বিখিবা মহাভারতকী লানগী বার্ত্তনগী মতাংদা - “শৈল্যনা কৌরবতা লান য়াওখিবগী মরমদি ধর্ম্ম লৈবা মীগী মখূৎতা প্রান থাজগে হায়বা ৱাখল লৈবদগীনি।”- অসুম্না ৱারীশিংদা য়াওরিবা নুংগী ওইবা অর্থশিংসি অঙাংগী কোক্তা চঙহৌরবা কান্দা অফবা হায়বদুগী মঙাল অসুম য়ৈরক্কদবনি হায়জনীংঙি।

মথংদা মণিপুর কলচরেল আশ্রম ইম্ফালগী আর্টিষ্টশিংনা পাঙথোকপা নিপা পালা উৎপিখি লোয়না লোয়ননা মদন মোহন মন্দিরদা বসন্তরাস (ডান্স কলেজগী আর্টিষ্টশিং) কৎতুনা কলচরেল প্রোগ্রাম লোইশিনখি।

অরোইবদা, পাঙথোকচরিবা থৌরম ময়াম অসিবু অহিংবা ওইহনবিরিবা, থৱায় হাপ্পীরিবদি মফম খুদিং উহন তাহনবীরিবা পূম্বদি মেদিয়াগী ঈচিল ইনাওশিংগী মপান্ননি, থাগৎচরি।

- "Nothing in life is constant. The only thing constant is Change' itself."

# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ১৩




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**মমাঙগী** আর্টিকলদা সেকেন্দ বি সীগী Bhurbhut মতমদা মতম অদুগী লাইরেম্বশিংগী মমাঙদা Mishrakeshi, Padmabati অমসুং Subhdra হায়না খঙনবা স্বর্গগী অপসরাশিংগী জগোয়শিংদা (হায়নরিবনি মীতৈশিংগী ওইবা খোর্জেশিংনা স্বর্গগী জগোয় শাবী অপসরারা নঙবু, লাইরৈবাক্কী নিংথিরবী মেনকারা নঙবু, কাউবা ঙমদ্রবা খুদোলশিংনি) Tripushkar গী Badya Bindra য়ৈখি। মতম অদুদা Tripushkar অসি নুপীশিংনসু য়ৈরম্মী। হায়রিবা Tripuskar পুংশিং অসি খূৎ য়েৎনা Udharbagh তা অদুগা খূৎ ওইনা Alinggya দা য়ৈ।

খূৎ ওইনা অনকিক্কী ওই থংবা পুংমায়দা য়ৈ। অদুগা খূৎ য়েৎনা অনকিক্কী য়েৎ থংবা পুংমায়দা য়ৈ। মসি ইন্দিয়াগী ঙসি ঙসিমক য়ৈনরিবা পুংশিং অসিদা য়ৈনরি। অদুম ওইনমক য়াম্না তাঙনা খূৎ ওইনা, য়েৎনা হায়বদি পুং মরুদা খূৎ ওইনা য়ৈগদবদনা খূৎ য়েৎনা য়ৈবা অদুগা খূৎ য়েৎনা য়ৈগদবদনা খূৎ ওইনা য়ৈবা পুং য়ৈবশিংসু য়াম্না তাঙনা থোক্লি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা পাকিস্থানগী টবলা Maestro Ustad Tafu Khan সু অমনি। উস্তাদ টাফুখান টবলাগী পঞ্জাব ঘারানাগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা অমদি লৈখিদ্রবা Ustad Alla Rakha Khan Father of Ustad Zakir Hussain গী Gurudev Ustad Kadirbaksh (1st) তা পূন্না তম্মীন্নরকই।

পুনেদা লৈবা শুরুং No. 2 : 2nd century B.C. শুংঘগী ভাজাগী মতমদা ইন্দ্র লাইগী নিংথৌগী মীয়াম তিনবা মফমদা জগোয় শাবীশিংগী মমাঙদা পুং য়ৈবা অমসুং বিনা কৌবা খূৎলায় খোঙবশিংগা লোয়ননা নুপাশিং অমদি নুপীশিংনা Tripushkar গী Udharmukhi অমসুং Alinggya য়ৈরম্মী। মসিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাখল্লোন্দি অনকিক, উধারবক অমসুং Alinggya হায়রিবা Tripushkar গী পুং মখল অহুম অসি স্বাতি মুনিনা পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী লাইশিংগী হাক্তক্কী লৈরে হায়বা অসিনি। অদুম ওইনমক স্বাতি মুনিনা পুথোরকপা অসিনা মীওইবগী হাক্তক্তনি, মসিগী পুং মখল অহুম অসি স্বাতি মুনিনা লাইয়ামশিংনা য়ৈনরম্বদগী পুথোরকপা ওইরম্বসু য়াই। মরমদি স্বাতিমুনিনা পুংশিং অসি পুথোরকপদা নোংগী মান্নদবা ঈরিকশিংনা অপা, অথা, অপাকপা, অপীকপা মান্নদবা লৈরাং থম্বালশিংগী মনাশিংদা তারকপা মান্নদবা মখোলশিংদগী লৌরগা Vishwakarma দা অনকিক, উধারবঘ অমদি Allinggya কৌবা ত্রিপুস্কার পুং মখল অহুম অসি শাহল্লি হায়বা ৱাফম অসি মীওইবশিংগী ৱাখলশিংনা খনবদা সাইন্টিফিক ওইফম থোক্তবরা হায়না খঞ্জৈ। মরমদি লৈরাং থম্বালগী মখল মখলগী মান্নদবা লৈনাশিংদা মান্নদবা মখল মখলগী অচৌ পিশক অমসুং মমায় ওইবা নোংলিকশিংনা তারকপদগী থোরকপা মখোলবু করম্না পুং অহুমগী মখোলগা মান্নফম থোকপগে?

অহুমশুবদা শাঞ্চি ষ্টুপা অদুগা ইন্দিয়াগী নোংচুপ থংবা মফমদা লৈবা অতোপ্পা শাঞ্চি কৌবদগী ফংবা সেকেন্দ সেঞ্চুরি বি সীদা ব্রিদাবনগী মফমদা জগোয় শাবীশিংগী জগোয়শিংদা নুপী ওইবীশিংনা ত্রিপুস্কার য়ৈবগী খুদমশিং ফংই। অতোপ্পা অমনা নিলানজানা জগোয় শাবীশিংগী জগোয়শিংদা অহানবা ওইনা অনকিক কৌবা পুং মখল অসি ফম্মগা য়ৈবা হৌরকখি। অনকিক্কী মওং অসি হৌজিক মতমগী ধোলক (Dholak) অদুগা উধারবক্লা হৌজিক মতমগী খূৎ য়েৎনা য়ৈনরিবা টবলাগা মান্নে। মসিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাহন্থোক্তি হৌজিক মতমগী ধোলক্তি (Dholak) মনাওদা Shyahi (গাপ), (কাপ), থাদে অদুগা মরুদনা Shyahi (গাপ), (কাপ) অসি চাক্লা মৈতান মকুপকনা থাই হায়বগী ৱাহন্থোক্তি মতম অদুদা হৌজিক্কী মতমগুম য়োৎথি লৈরমদবগী চিংনবা লৈ। হৌজিক্তি চাক্লা য়োৎথিগা তোৎনরগা Shyahi (গাপ), (কাপ) থারগা পুংশিং অসি য়ৈনরি। অদুমকপু ধোলক (Dholak) কী মনাওদি Shyahi (গাপ), (কাপ) থাদে।

মথক্তসু হঞ্জিন হঞ্জিন ইজখ্রে ত্রিপুস্কার হায়রিবা পুংশিং হায়বদি কারনাটিক ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী পুং Mridanggam, Hindustani Classical Music কী পুংশিং পখৱাজ (Mridanga), মনাওদদি Shyahi (গাপ), (কাপ) থাই অদুগা মরুদনা গেহুগী আটাদা ঈশিংগা তোৎলগা গিল্লা আটা হায়না খঙনবা Bass য়াম্না য়াওবা দুম-দুম লাউবা মখলগী পোৎশক অসি শীজিন্নৈ, মসিগী পোৎশক অসি হৌজিক হৌজিকসু Banaras Gharana Kashi Baj (style) গী অখন্নবা টবলা মরুদা শীজিন্নরি অদুগা Banaras কী অতোপ্পা টবলা মরুশিংদদি Shyahi (গাপ), (কাপ) শীজিন্নৈ। লেমহৌরিবা টবলাগী ঘারানাশিং হায়বদি Delhi, Ajarala, Farukhabad, Lucknow অমদি পঞ্জাবনচিংবশিংগী টবলা মরু অমদি মনাওশিংদা Shyahi (গাপ), (কাপ) শীজিন্নদুনা মপূং ফানা Tuning তৌবা য়াই।

অমরোমদা, উরিশি ক্লাসিকেল দান্সতা য়ৈরিবা মারদাল কৌবা পুং মখল অসিসু মোর্দন Shyahi শীজিন্নদুনা মপূং ফানা Tuning তৌবা য়ারে। Bangal গী খোল হায়রিবা পুং মখল অসিসু Modern Shyahi শীজিন্নদুনা Tuning তৌবা য়ারে। অসামগী সাত্রিয়া ক্লাসিকেল দান্সতা য়ৈরিবা খোল অসিসু মপূং ফানা Shyahi শীজিন্নদুনা Tuning তৌবা য়ারে। মণিপুরী নট সঙ্কিৰ্তন মহা Yagya জগোয় রাস, ধুমেলনচিংবদা




য়ৈনরিবা মীতৈ পুং অসিসু Shyahi (গাপ), (কাপ) শীজিন্নদুনা ঙসিদি মালেমগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়গী ফিদাদা য়াম্না চাওরবা মফম অমা কল্লি হায়বসিদা থোইনা লাল্লোই হায়বা ৱাফম অসি থমজনীংই।

অমুক হন্না ইন্দিয়ন ম্যুজিক্কী অনৌবা পোৎশক অমা লাকপা হৌরকই। মদুদি Percussion instrument কী মনিং থংবা মফমদা Cymbal য়ৈবা মীশক অমসু মতম অদুগী পুং ঈশৈশিংগী লম্বীশিংদা ফিদা অমা ফংবা হৌরকখি। মালেমদা শেম্বীবা মপূগী খূৎশেমশিং মীকুপ-মীকুপ খুদিংগী অহোংবা লৈবগুম ইন্দিয়ান ম্যুজিক্তসু অহোংবা লাকই। সেকেন্দ সেঞ্চুরি বি সীদগী সেকেন্দ সেঞ্চুরি এ দি হায়বদি চহী চামরিদগী তপ্না তপ্না হোংলকপগী পুৱারী মতেক অমত্তং থমজগে।

মমাঙঙৈদা ঘানয়া কটাক কৌরম্বা হৌজিক্লা অমরাবতি কৌরবা মফম অদুগী পুং, ঈশৈ অমসুং জগোয়শিংগী য়াম্না ফজখ্রবা ৱারীনি। অমরাবতি কৌবা মফমদা ভগবান বুধদেবগী স্বাগা রোহন কৌবা উষ্টাবতা লাইরেম্বী লাইরেম্বশিংনা অনকিক হায়রিবা পুং অসি য়ৈ অমদি জগোয় মখল-মখল শাদুনা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকই। লোয়না লোয়ননা অনকিক হায়রিবা পুং মখল অসিসু ঙকশমদা য়াল্লগা হকচাং চেন চোঙদুনা য়ৈরম্মী। অনকিক হায়রিবা পুং মখল অসি হৌজিক মতমগী ধোলক্কা মওং মতৌদা করিসু খেন্নবা লৈতে। পুং অসিগী য়েৎ থংবা শরুক্কী মমায় হৌজিক্কীগুম্না মরী চিংলম্মী। লোয়না লোয়ননা Brindaban দা জগোয় শাবীশিংগা লোয়ননা ওই থংবা কাচিন্দা ফম্মগা ত্রিপুস্কার য়ৈরিবীশিংগী চৎনবী ব্রিন্দাবান্দসু চৎনরম্মী। হায়রিবা ব্রিন্দাবান অসিদসু উধারবঘ অমসুং অলিঙ্গয়া হায়রিবা পুংশিংগী মওং মতৌশিংদা অলিঙ্গয়াগী অৱাংবা অসি খরা নেম্মমী। উধারবঘ অমসুং অলিঙ্গয়াদা পুংমায় পাল্লম্মী। লোয়না লোয়ননা পুংলিসু হাপ্তুনা পুংগী পুংমায় নোপথরক্লবা মতমদা পুংলিশিং চিংদুনা পুং য়ৈবগী চাওখৎ খোঙথাংশিংগী লম্বীশিংদা খোঙ থাংজিন্দুনা ইন্দিয়ান ম্যুজিক্কী পুংশিংগী পুৱারীদা ফজরবা খোঙথাং থাংবা হৌরকখি।

মতেং লৌজখিবশিং : (১) Dr. Yogamaya Sukla (২) Bharat Natya Sastra : English Translation by Dr. Manmohan Ghosh. (৩) Indian Temple Sculpture : By K. M. Munish

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১। অরিবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) ঙন্না তাবা শেন্দাংনা চেঙ মচং চায়।
(খ) চৈশুসু তেক্তনবা, লিনসু শিনবা।
২। জি সি তোংব্রাগী দ্রামা অমনা মণিপুরদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নবা লীলা ওইরি। করি দ্রামানো?
৩। “পূম্নিল নিল্লি, পূন্নাঙ লাঙই চীংমায়দু/...মচী লেঙদে চীংমায়দি।” পরেংশিংসি লমাবম বীরমনিগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা ৱারীমচানো?
৪। “খম্বতোন! নঙনা মায়থীরিবসে করম্বা লানফমদনো?” পরেংসিনা বেনুবালাগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারী মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। হিন্দিগী ‘কম্বন’বু মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।